# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হনু-খুলাম

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা য়াম্না মরাং কাইনদি ফংদবা অদুবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবা পাম্বীশিংগী মনুংদা হনু-খুলাম হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। মণিপুরদা হনু-খুলাম পাম্বী মখল অনী ফংই। অহানবদা মঙ্গ্রা মচুগী লৈ শাৎপা অসিনি। মসিগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা বার্লেরিয়া ক্রিসতাতা (Barleria cristata Linn.) অদুগা অতোপ্পা ময়াম্না হনু-খুলাম হায়না কৌনরিবা পাম্বী অসিনা অঙৌবা মচুগী লৈশিং শাৎলি লোয়নননা বার্লেরিয়া ক্রিসতাদাদগী চাউবা হেল্লি। হনু-খুলাম পাম্বী অসি ইংলিসতা গ্রে বার্লেরিয়া, আফ্রিকাদা ফ্লু ৱিলবলারবোসভিওলতজে (Fluweelblaarbosviooltjie), সাইনিটফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা বার্লেরিয়া এলবোষ্টিলাতা (Barleria albostellata CB Clarke) হায়না কৌই অমসুং একান্থেসী (Acanthaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি নোংমাংখা, ভুবতী, কুম পাম্বী অসিনচিংবনি।

হনু-খুলাম পাম্বীগী জেনেরাগী ওইবা মমিং বার্লেরিয়া হায়বসি দোমিনিক লম্বোইবা অমসুং ফ্রেন্সকী অফাওবা মনা-মশিং থিজিনখিবা কুমজা ১৬০৩দগী ১৬৭৩ ফাওবা হিংখিবা জেকিস বরেলিয়র (Jacques Barrelier) গী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি। অদুগা স্পিসিসকী মমিং এলবোষ্টিলাতা হায়বসিনা লেতিনগী ৱাহৈদগী অর্থনা থৱান্মীচাক মানবা অঙৌবা শম নৎত্রগা মতুশিং (White star-like hairs) অসিদগী থোনখিবনি। মরমদি হনু-খুলাম পাম্বী অয়াম্বশিং মরু ওইনা মনাশিং অদু অঙৌবা মচুগী মতুশিং জোম-জোম লাওনা পাল্লি। অদুবু য়াম্না কুপ্পা থিজিনবদগী খঙবা ঙমখিবদি মতুশিং অদু ষ্টিলেট হায়বদি থৱান্মীচাক মান্দে হায়বসিনি। বার্লেরিয়া জেনেরাগী মখাদা মালেমগী অপূনবা ওইনা স্পিসিস ২৫০ রোম লৈবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা স্পিসিস ২৫০ অসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা স্পিসিস ৬০ রোমদি খা থংবা আফ্রিকাগী লমদমশিংদা হৌই। হায়রিবা স্পিসিসশিং অসিগী মনুংদা বার্লেরিয়া গ্রীনাই (Barleria greenii) অসিনা খ্বাইদগী তাঙই। বার্লেরিয়াগী মনুংদা লৈবা স্পিসিসশিং অসি হঙ্গাম মপান, হীগোক, অঙৌবা অমসুং অশংবা মচুগী লৈশিং শাৎলি।

হনু-খুলাম হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১২ ফাওবা ৱাংবা অপাকপা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক অঙৌবা মচুগী মতুশিং জোম-জোম পান্দুনা খূৎনা পায়বদা মোন-মোন লাওই। হায়রিবা মতুশিং অসি অনৌবা মনাদনা অমুক্কা হেন্না চোমই। হনু-খুলাম হায়রিবা পাম্বী অসি খা থংবা আফ্রিকাগী লমদমশিং অমসুং জিমবাবৱেদগী হৌরকখিবা ওইগনি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদগী হৌরকখিবরা নৎত্রগা মতম কয়াগী মমাঙদা মণিপুরদা পুশিল্লকখিবরা হায়বগী চপ চাবা পাউদম ফংবা ঙমদে। হায়রিবা পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা য়াম্না মরাং কায়না হৌবসু উদে। হনু-খুলাম হায়রিবা পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা সবট্রোপিকেল অমসুং খরা হেন্না শাবা ট্রোপিকেলগী লমদমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসি ইভরগ্রীন হায়বদি মতম পূম্নমক্তা মনা পান্দুনা হৌই অদুবু অঙৈবা মফমশিংদা হৌরবদি দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি মনা অদু কেনগল্লি। হনু-খুলাম পাম্বীগী লৈশিং অদু ঙৌরোক ঙৌই অমসুং চবুন ওইনা লৈ কয়ামরুম মনা ৪না য়োমশিন্দুনা য়াম্না কুঙনা সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরগী মতমদা শাৎলি। লৈ শাৎপা মতমদা পাম্বী অসি য়েংবদা পূক্লিং হুনিংঙাই ওইবগী মশক ওই। হনু-খুলাম পাম্বী অসি চহী ৪গী মতুংদা মপূং ফানা চাউবা ঙম্মী। পাম্বী অসি তীল-কাংগী মতেংনা হকতিন্নহল্লি (Insects pollination)। লৈ শাৎপা মতমদা কুরাক মখল কয়ামরুম পাম্বী অসিদা তোংবদু য়েংবদা য়াম্না পূক্লিং হুনিংঙাই ওইবনা মরম ওইদুনা পাম্বী অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়ূমগী অকোয়বা অমদি হৈকোল-লৈকোলশিংদা থানৈ।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না হনু-খুলাম পাম্বীগী মশাদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিং অদুদি - তোটেল ইরিদোইদ (Total iridoid), টোটেল ফিনোলিক্স (Total phenolics), ফ্লেভোনোইদস (Flavonoids), গেলোতেনিন্স (Gallotannins) অমসুং এন্টিওক্সিদেন্টশিং চাং ৱাংনা য়াওবা অসিনি। হায়রিবশিং অসি উগী মকুদা য়াওজরবসু পাম্বীগী মনাদনা চাং হেন্না য়াওবগী পাউদম লৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কনাগুম্বা মীওই অমা মরু ওইনা অঙাংশিংনা য়াম্না তোয়না ঈশিং খৌরাংলবা হায়বদি ঈশিং কৌরবদি হনু-খুলাম পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। করি মরমদগী পাম্বী অসিবু মণিপুরীশিংদা হনু-খুলাম কৌনবগে হায়বগী মরমদি পাম্বী অসিগী মনাশিং অদু হেক য়েংবদা হনুবা-হনুবীগী খুইতক তৌবা উনশা অদু মানবা অদুগা ঈশিং খৌরাংবা কোকহনবা ঙম্মী হায়বদগীনি। হীরম অসিদা হনু-খুলাম পাম্বীগী মপূং ফারবা মনা ৭-৮ লোম লৌরগা ঈশিং লিটর অমদা তপ্পা মৈদা ফুৎলগা ঈশিং অদু তঞ্জায় ফাওবা ময়েং তাহল্লগা ফজনা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদুদা শিদামিশ্রি মচেৎ অমা তুমহল্লগা শেম্বা মহী অদু নোংমদা অনীরক অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইগী মতমদা গ্লাস অমমমগী চাংদাদা পীথকপীগনি। অমু (Amoo) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০০৯দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না হনু-খুলাম পাম্বীদা মখল কয়ামরুমগী বেক্টিরিয়া হায়রিবা হিংকুপশিং অসি ঙাকথোকপা অমসুং হাৎপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই হায়বসিনি। মীওইবগী তোংশা কায়বা অমদি শাগৎতুনা চৈনা ফাওবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবগী মগুনশিং হনু-খুলাম পাম্বীদা য়াওই হায়না বিজ্ঞান্না থিজিনবদগীসু খঙবা ঙমখ্রে। উগী মকু অদুনা মনাদগী হেন্না মগুনশিং য়াওই হায়বসু পুথোকখ্রে। ●

## মরোল থোকপা লাই






## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 333/SDC/NBL of 2020**

1) Yumnam Nabakishwor Singh S/o (L) Y. Narendra Singh of Nambol Mongjing (Share area 0.60 acre of southern Portion)
2) Wahengbam Priyokumar Singh S/o (L) W. Rajendro Singh of -do- (Share area 0.57 acre on Northern Portion) *-Petitioners*

-Vrs-

(Late) Chandam Iboton Singh S/o (L) Ch. Udhop Singh of Nambol Awang Leikai. -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 11/6/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21 - Kongkham U/Patta No. 54 (Old), 121/460 (New), Dag No. 184/542, Area 1.17 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি নং (১) অমসুং (২) না মাগী-মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/7117/13 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*

## শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রয় নমঃ



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু কোনবীরম্বী **সলাম বিনোদিনি দেবী**না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৯/০৬/২০২০ ইং, ইঙাগী ১৯ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা বিন্দিয়াদেবী চৈতন্যা দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৪/০৬/২০২০ ইং, ইঙাগী ২৪নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২২/০৬/২০২০ ইং, ইঙেনগী নোংমা পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবিগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়নননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কৎচগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরি সঙ্কীর্ত্তন নাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেদা পত্রনা নিমন্ত্রণ কৎচরি। পাউচেদা পত্রনা নিমন্ত্রণ কৎচবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**বিনিতগণ : সলাম বরুন (তোলান্তো) সিংহ (মচানুপা)**

১) সলাম ওংবী সনাহনবী দেবী (মচে) ২) সলাম ওংবী সোনিয়া দেবী (মমৌনুপী) ৩) সলাম ওংবী সরোজা দেবী (মমৌনুপী) ৪) সলাম ওংবী পুস্পা দেবী (মমৌনুপী) ৫) সলাম এরিনা দেবী (মচানুপী) ৬) সলাম ওংবী ওলেম্পিয়া দেবী (মমৌনুপী) ৭) সলাম ওংবী উরমিলা দেবী (মমৌনুপী) ৭) সলাম নেন্সি (মশুনুপী) ৮) সলাম সুজেন (মশুনুপী) ৯) রাশি সান্ত্রা (মশুনুপী) ১০) সলাম তনুশ্রী (মশুনুপী) ১১) সলাম দেবিয়া (মশুনুপী)

১) সলাম সুনিল সিংহ (মচানুপা) ২) সলাম হেমন্ত সিংহ (মচানুপা) ৩) সলাম প্রিতম সিংহ (মচানুপা) ৪) রনাবির সান্ত্রা (ময়ানুপা) ৫) সলাম সিংহজিৎ সিংহ (মচানুপা) ৬) সলাম বিক্রম সিংহ (মচানুপা) ৭) সলাম রোনাল্ডো (মশুনুপা) ৮) সলাম অলবর্ট (মশুনুপা) ৯) সলাম নিশান (মশুনুপা) ১০) রোনক সান্ত্রা (মশুনুপা)

**হাওবম মরক কাঙজম লৈকায়, ইম্ফাল**
৯৭৭৪৩০৯৩৯৫

অয়ূক পুং ৮.০০ - ভেক কৎপা, অয়ূক পুং ৮.৩০ - সঙ্কীর্ত্তন হৌবা

HL-P/7118/13

## সার সুধাকর (শামু) বু থাগৎচরি


সুধাকর

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফাল (আই টি আই) মনাক্তা লৈবা নূংগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) না লায়েংবীবদগী ঐগী য়েৎ-ওইগী কিডনি অনীমক্তা লৈরম্বা নূংশিংদু হাপ্তা ৪ (মরি) শুরকপদা লোইনা তারকখ্রে। মসিগীদমক্তা সার সুধাকর (শামু) বু হন্না -হন্না থাগৎচরি।

**থাগৎচরিবী : খাইদেম রাধা**
**মাইবা-খুল ময়ায় লৈকায়**

HL-P/7110/13

## ভেন্দর লাইসেন্স মাঙখ্রে

ইশাগী মীংদা লৈজবা পুরানা বজারগী আই এম সীনা পীবা ভেন্দর লাইসেন্স কার্দ নং: ১০০৪ (অরিবা) অসি মফম খঙদনা মাঙখ্রে। কনাগুম্বশিংনা খুনবীবা নৎত্রগা থেংনবীবা য়াওরবদি মখাদা পীজরিবা ইশাগী মীং অসিদা শিন্নবীনবা নীংশিংজরি। লোয়নননা তৌবীমল খঙবা উৎচগনি।

হায়জরিবা :**Nongmaithem Mema Devi**
W/o S. Nodiyachand Singh
Sagolband Tera Sapam Leirak, Imphal

HL-P/7116/13

## পাইলসকী ওজা অবদুল হকপু থাগৎরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা চেকখাইবা, খোঙ হাম্বা মতমদা শৌজ নান্থবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থজিনলোমদা হাইগৎলকপা, অমাংথোঙদা হম-হম লাউনা চিক্লগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী শোনবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ওজা Abdul Hakকী, Contact No. 8794429681, 8014623756 তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু অল্লাহগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি। পুন্সি শাংনা মীয়ামগী থৌগল মতম কুইনা তৌখিনবা অল্লাহদা দুৱা তৌজরি।

**ওজাগী লায়েংফমদি :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

*থাগৎচরিবা :* **RK. Nongyai**
**Moirangkhom Loklaobung**

HL-P/6782/13

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 215/SDC/IW/P/2020**

Konjengbam Mangalsana Meetei S/o (L) K. Juge Singh of Kwakeithel Konjeng Leikai. *...Petitioner*

-Vrs-

(Late) Okram Sarat Meetei S/o (L) Tomba Singh of Yurembam Awang Leikai. ...O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
The 11th June, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার ওক্রম শরত মীতৈ, পীং মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৮০ পাৎশোইগী অনৌবা পাট্টা নং ১৮০৪, দাগ নং ৪০১৪ অমসুং এরিয়ানা ০.০৩ একর চাউবা ইঞ্জোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঞ্জোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/7119/13 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

Ministry of Housing and Urban Affairs
Government of India

Municipal Administration Housing & Urban Development (MAHUD)
Government of Manipur

## PM Street Vendor's AtmaNirbhar Nidhi (PM SVANidhi)

**Street Vendor**

লৈবাক অসিগী ওইনা Street Vendor Act, 2014 দা য়ূম্ফম ওইবা Rules অমসুং Scheme চৎনখ্রবা State/UTs শিংগী অচৌবা অমসুং অপিকপা সহরগী Street Vendor লাখ ৫০দা য়াম্লবদা লুপা ১০,০০০/-, শিনফমগী হৌদোকশেল ওইনা অপিকপা loan গী খুদোংচাবা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি।

শেন্থংগী খুদোংচাবা লৌবগী মতমনা চহী অমনি। মতম চানা শেল শিংগৎপশিংগীদমক মথোইদা ৯%গী ভার কোক্কনি। Digital transaction তৌবশিংগীদমক য়াম্লবদা লুপা ১০০/- ফাওবগী কান্নবা ফংহনগনি। শেল মতম চানা শিংগৎপশিংগীদমক মথংগী অয়াম্বা শেনফমগী কান্নবা ফংহনগনি। হায়রিবা কান্নবা অসি March, 2022 ফাওবা চৎনগনি।

24th March, 2020 গী মমাঙ ফাওবদা Street Vendors অমা ওইবীদুনা সরকারগী মখাদা তৌবা Survey দা য়াওবীদুনা শক্তাক চে পায়বীরবদি কান্নবা অসি লৌবীয়ু। শক্তাক চেদি পায়দ্রিবা অদুবু Survey দদি য়াওবীহৌবা Street Vendors ওইবিরগসু কান্নবা অসি ফংগনি। খুদোংচাবা অসি সহর, সহরগা নকননা লৈবা অমসুং খুঙ্গংদগী লাক্তুনা ULBs শিংনা কোনবা মফমশিংদা Street Vending গী শিনফম পায়রিবা পূম্নমকসু authority না শকখঙবগা লোয়নননা শক্তাক চে পায়বীরবদি খুদোংচাবা অসি লৌবীবা য়াগনি।

**অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগীশিংসিগা Office hour দা তানবীয়ু/উনবীয়ু :**

১। Municipal Commissioner, Imphal Municipal Corporation.
২। Executive Officers of Municipal Councils and Nagar Panchayats concern.
৩। Shri Kenyor Irom, State Mission Manager, MUDA, PDA Complex, North AOC, Imphal.

**Sd/- Th. Harikumar Singh**
**Secretary,**
**Manipur Urban Development Agency (MUDA), Imphal**

HL-B/6211/13-17

SLOPELAND COLLEGE
THE WORLD MOVES ON EDUCATION

# ADMISSION OPEN

2020-2022

SLOPELAND COLLEGE
OF TEACHERS EDUCATION

SALT VILLAGE, KHONGJOM, MANIPUR-INDIA
(Recognized by NCTE & Affiliated to Manipur University)
Contact: 9615965922/9615520109/8787641104
E-mail: slopelandcollege@gmail.com
Website: www.slopelandcollege.in

HL-P/7102/14

## ONLINE CLASSES

## PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-P/7003/17,19...



## সনা কোনুং উত্রা সঙলেন্না চহী চা কয়া কৎথোকপগা লোয়নননা মসিল পাঙকখিবসি ইরৈপাক্কী কাংখুল মুৎখিদনবনি

ইনিংথৌনা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইবগী মীখলদা ভোটিং রাইট লৈবা মরম্না রাজ্য সভাগী মীরেপ ওইবদা উত্র সঙলেন্না মীরেপ ওইবা য়ারোই নৎত্রগা ওইরগনা নিংথৌ ফম হান্না থাদোক্কদবনি হায়নবগী মঙম (পাঙ্গল) অমত্তা উত্রা সঙলেনগী মসিলগী মনুংদা য়াওরকখিদে। নিংথৌ ওইহনবা নিংথৌ লৌথোকপগী হক অমত্তা উত্রা সঙলেন্দা লৈজদে।

উত্রা সঙলেনগী লেংদনা লৈরকপা চহী চুপ্পগী মসিলদি - (১) ইনাৎ লাইনিংগী থৌরমসিং (সিয়রমোনিয়েল রাইটসিং) (২) মসিলগী চৎনলোনচৎসিং (কষ্টমরি লোজ) (৩) লাইনিংগী লাইথৌসিং (রিলিজিয়স পার্ফোর্মেন্স) (৪) লাইনিংথৌ লাইরেম্বীসিং অমদি ইপুধৌ ইবেনধৌসিংগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা (প্রোপিসিয়েসন (গোদস এন্দ গোদেসস) (৫) অথৌ লীচা হেপ্পসিংবু নিংজবা (হেরো ৱারসিপ) (৬) পাথাংকোক পুথাংকোক্কী লেংদবা চৎনবীসিং (ট্রেদিসনেল কনভেন্সনসিং) (৭) সাগৈ সলাই মসক খঙদ্রবা য়ূম্নাকসিংগী অসেংবা পুকোক থিদোক্তুনা মসক সেংনা খঙহনবা (৮) উমংলাই অমসুং সাগৈ পূম্নমক্কী অপোকপা অনীমক্কী ১০০০ (লিসিং অমা) হেন্না লৈরিবা খুভমসিং অমত্তা কায়হন্দনা থৌগল চঙবা (৯) চীংমী তম্মী অসি ইচিল ইনাওনি তাক্তুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা মেরা হৌচোংবা (১০) লাইনিংথৌ নোংসাবা, ইপুধৌ পাখংবা, য়ুমজাও লাইরেম্বী অহুমগী চয়োলগী লুক্লেন অহুম্লক কক্তুনা লৈপাক্কী য়াইফ থৌনিজবা (১১) সরোই খাংবা, কুরাক লমতাইবা, ক্বাক তানবা, চহীগী পুঙ মরি থৌনিবা, কংলাগী মসিল, চীংলোন লাইহুইগী মসিল, নোংমাইচিং চীং সেংবা অসিনচিংবা কয়াগা লোয়নননা চহী চুপ্পগী নিংথৌ চহী (রোয়েল ক্রোনিকলস) ইথবনচিংবা লোইবা নাইদ্রবা মসিল পরেংনি।

উত্রা সঙলেন্দি নিংথৌ পান্দ্রবসু অদুম্মক লেংদনা লৈরকখি। নোংদা লাইরেল পাখংবগী মমাঙদা খাঙানবা সলাইগী নিংথৌ খাবা সোকচ্রোংবনা কংলাদা নিংথৌ ওইনা পানবা মতমদসু উত্রা সঙলেন্না লেংদনা লৈপাক্কী থৌগল তৌদুনা লাকখি। কংলাদা অঙোম নিংথৌনা পানবা মতমদসু উত্রা সঙলেন্দি লেংদনা লৈরকই। মঙাং নিংথৌনা পাল্লবসু উত্রা সঙলেন্দি লৈপাক্কী থৌগল কায়বা য়াদবা মরম্না থৌগল কায়রক্তে।

মৈদিংঙু খোংতেকচানা মলিয়া কুমসিং ২১৬০ (খৃ: ৭৬৩) দগী মলিয়া কুমসিং ২১৭০ (খৃ: ৭৭৩) ফাওবা পাল্লম্লগা চহী ১১ নিংথৌ পানখিদে। চহী ১১ নিংথৌ পান্দবা মতমদুদসু উত্রা সঙলেন্দি থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা তূম্বা চাবা থিদনা লৈপাক্কী পরিং নাইনা চৎথরকপা সিন্থা পূম্নমক কায়হন্দনা পুরকখি। মলিয়া কুমসিং ৩২১৬ (খৃ:১৮১৯) দগী চহী ৭ খুন্তাক্লবদা অৱা লান্মীগী মীহাৎ মীপুল মরক্তা উত্রা সঙলেন্দি ইরৈপাক্কী মসিল কায়বা য়াদবনা সিবা চঙবা অনীগী মরক্তা থৌদাং য়ারকখি। নুমিৎ কাপ্পা পুয়ানা সিংথাদুনা থনম্লবা পানথৈ পাউরৌ ওইনা লীরম্বা নুমিৎ ২ থোক্লম্বদগী নুমিৎ ১ খ্বাই নুংজেং পীবানা তেন্না কাপথখ্রবদা নুমিৎ সনা খোম্মদোন অতোনবদি (লেমহৌবা নুমিৎ ১দি) মোইরাংদা মতম সাংনা লোত্তুনা লৈখি। লৈঙাক্কী কাংখোং চাইরবা সাংলবা মতম অদুদা উত্রা সঙলেন্দি অকি তুজুং পূম্নমক তুংদা থম্লগা কায়হৈদবা ইরৈপাক্কী থৌগায় পুজরকখিবনি।

পূম্নমক মাঙদা থম্বীরগা, চীংমী-তম্মীগী মৈরা পায়বী ইমাসিংগী লূপসিং, লৈঙাক লূপসিং (পোলিটিকেল পার্টিসিং), লৈঙাক্কী নত্তবা লূপসিং (এন জি ওসিং), ক্লবসিং অমসুং চীংমী-তম্মী লন্নাই মীওই পূম্নমক্লা সনা কোনুং উত্রা সঙলেনগী অসেংবা সক্তম অসি খঙবীদুনা মতেং পাংবিয়ু। উত্রা সঙলেন্না চহী লিসিং কয়া কৎথোকপগা লোয়নননা মসিল পরিং মরী তৎহনজরকত্রিবা অসি ইমা লৈবাক অসিগীদমক্তনি। মুৎহৈদবা কাংখুল অদু মুৎখিদনবনি।

**হায়জরিবা : ঙারিয়ানবম কাংজিয়া মঙাং**
**মাইচৌ পুরেল, উত্রা সঙলেন সনা কোনুং, ইম্ফাল**

HL-P/2120/13